## মালেমগী অঙকপশিং

# বে ওফ ফন্দি



কেনাদাগী ন্যু ব্রন্সৱিক অমদি নোভা স্কোটিয়া প্রোভিন্সকী লোন্নবা মফমদা লৈবা সমুদ্র মপানগী শরুকপু বে ওফ ফন্দি হায়না খঙনৈ। মফম অসিদা সমুদ্রগী ঈথক-ঈপোম হৌরকপদা মিটর ২১.৬ ফাওবা ৱাংখি হায়বগী ৱারী লৈরি।

কুমজা ১৮৬৯গী ওক্টোবরদা মিটর ২১.৬ (ফুট ৭১) ৱাংনা ঈথক-ঈপোম হৌরকখিবা অদুনা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী ৱাংনা ঈথক-ঈপোম হৌরকপনি হায়না লৌনরি। সমুদ্রদগী হৌরকপা ঈথক-ঈপোমগী শাফু অসুক্কী মতিক কল্লি মদুদি ট্রেনগী এঞ্জিন ৮০০০গা মান্ননা মতিক-ময়াই লৈ হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না মফম অসিবু জিওলোজিকেল হেরিটেজ ওইনা য়োকখৎতুনা থম্লবা থৌরাং লৌখৎলি। কঞ্জার্বেসন কাউন্সিল ওফ ন্যু ব্রন্সৱিকনা ফন্দি বেগী ইকো সিষ্টম কায়হন্দনা থম্লবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

নোংম-নোংমগী মশীং হন্থরক্তুনা কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াই হায়বগী মীপাইবা পোক্লরিবা নোর্থ এটলান্টিক রাইট হ্বেল খরা ফন্দি বেদা লৈবা থেংনরি। মফম অসিদা জহাজ হোনবা মতমদা নোর্থ এটলান্টিক রাইট হ্বেলগা থেংজিন্নবগী থৌদোক কয়ামরুম লৈখ্রে।

কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা নোর্থ এটলান্টিক রাইট হ্বেল য়োকখৎতুনা থম্লবগী পান্দমদা কেনাদিয়ন কোষ্ট গর্দনা ফন্দি বেগী অখন্নবা মফম খরদা জহাজ চঙবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলে।

কুমজা ১৮০০গী পরিংদা জেমস মোরাম, জোসেফ সোলটর অমদি ৱিল্লিয়ম লোরেন্সনচিংবা সিপ বিল্ডর কয়ানা মফম অসিদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াঙবা জহাজ কয়া পুথোকখি হায়না থাজনরি। হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াঙবা জহাজনি হায়না লৌনরিবা মার্কো পোলোসু মফম অসিদা শেমগৎখিবনি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - ক্বিন ভিক্টোরিয়া -



ক্বিন ভিক্টোরিয়া কুমজা ১৮১৯ গী মে ২৪ দা লন্দনদা পোকখি। মহাক জোর্জ অহুমশুবগী মশুনুপীনি। মহাক্কী অপোকপা এদৱার্দ ফম্বাল কাগদবশিংগী মনুংদা মরিশুবদা লৈরম্মী। তৌইগুম্বসুং প্রিন্স ওফ ৱেলাস ঙন্না লৈখিদবদগী মহাক্কী মচিন-মনাওশিং থুনা লুহোং কৈহোংনদুনা নিংথৌগী পরিং কাইহন্দনবা হোৎনবগী ফীভম লাকখি। এদৱার্দনা জর্মনিগী প্রিন্সেস ভিক্টোরিয়া লুহোংখি অমসুং মখোয়নিনা অলেগজেন্দ্রিয়া ভিক্টোরিয়া কৌবী অঙাং নুপী অসি কুমজা ১৮১৯ দা কেন্সিংটন পেলেসতা পোকখি। ভিক্টোরিয়ানা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা ওইরিঙৈদা অপোকপা থুপখি। মদুগী মতুং নুমীৎ তরুকনি লৈরগা কিং জোর্জ অহুমসুবসু নোঙ্গাখি। মদুনা বৃটিশ ফম্বাল কিং ৱিলিয়ম মরিশুবদা লাকহনখি। তৌইগুম্বসুং মহাকসু ঙন্না থুপখি। মসিনা মরম ওইদুনা ভিক্টোরিয়ানা মশাগী চহী ১৮ কুমজা ১৮৩৭ কী জুনদা বৃটিশ ফম্বাল কাখি। ক্বিন ভিক্টোরিয়া কুমজা ১৯০১ গী জন্যুৱারি ২২ দা নোঙ্গাদ্রিফাওবা লৈঙাক্কী চুক্লি পায়রকখি।

১৯ শুবা চহীচা অসি বৃটেননা মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ইন্দষ্ট্রি অমসুং এম্পায়র অনীমক চাউখৎহনবা অমদি পাকথোক চাউথোকহনবা ঙম্বা মতম ওইখি। ক্বিন ভিক্টোরিয়াগী মতমদা বৃটেনদা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি অদুক্কী মতিক চাউখৎখি। মীশিংনা য়ু কে অপুম্বা অমদি মালেমগী মফম কয়া ইরাই লায়না চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙম্লকখি। মদু ষ্টিম এঞ্জিনগী মতেংনা ওইখিবনা মহাক্কী মতম অসি ষ্টিম এজ হায়নসু খঙনরি। ক্বিন ভিক্টোরিয়াগী মতমসিগী চপ চাবা সিম্বোল অমনি হায়না লৌনৈ। মহাক্না বৃটিশ এম্পায়র থৱায় য়াওনা শৌগৎখি অমসুং লোইলম শন্দোকপদা পূক্নিং থৌগৎখি। লোর্দ কিটেনরনা সুদানদা লান ঙম্বগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী থৌরমদা মহাকসু য়াওখি। মহাক্না শৌগৎতুনা বোয়র ৱারদা বৃটিশসু য়াওশিনখি। মালেমগী মফম কয়া থুংনা শন্দোরক্লিবা চাওরবা বৃটিশ এম্পায়রগী মপু ওইরকখিবদা মহাক্না হরাওজখি। কুমজা ১৮৭৭ তা ক্বিন ভিক্টোরিয়া ইন্দিয়াগী এম্প্রেস ওইহনখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী এম্প্রেস ওইরকখিবদা ইম্পিরিএলিষ্ট বেঞ্জামিন দিজরেলিনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ক্বিন ভিক্টোরিয়াগী মতম লোইরফাওবদা মীয়াম্না বৃটিশ এম্পায়রদা নুমীৎ তাবা লৈতে হায়নদুনা লাক্লিবনি।

ক্বিন ভিক্টোরিয়া পোলিটিক্স অমসুং সোসলগী মীৎয়েংশিংদা কঞ্জার্ভেটিভকী অচেৎপা ৱাখল চেল্লম্মী। মসিনা মমৈথংদা মঙোন্দা খুদোংচাদবা কয়া লাকহনখি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসিনা মহাক্কী মীংচৎ ফাওবা থিনিংঙাই ওইরকখি। মপুরোইবা প্রিন্স অলবর্টনা কুমজা ১৮৬১ দা মশাগী চহী ৪১ শুবদা ঙাইরিঙৈদা লৈখিদবদা ক্বিন ভিক্টোরিয়া থম্মোয় কায়খি অমসুং মীয়াম থবক্তগী লাপথোক্লা মতম শাংনা তুমীন্না লৈখি। মঙোন্দা মতম শাংনা মপুরোইবা কায়নখিবগী অৱাবা লৈখি। মহাক্কী পুন্সি থেংখাং কয়া তেমশিংনখিবা ওইরবসু কনামত্তনা মহাকপু অশোক-অপন ফাওবা থোকহনবা ঙমখিদে।

## ব্যুটি : শুককে কেদনা নেচরেল ওইনা করম্না ফজহনগনি!



***মায় হেক তাথোকপগা ক্রিম তৈবিয়ু:*** মায় তাথোক্লবা তুং মায় কংশিনখিদনবা অফবা ক্রিম তৈবা মথৌ তাই। ক্রিম তৈবা মতমদা খুবাক্তা তৈশিন্দুনা মায়দা তৈবগী মহুত্তা খুৎশাশিংদা ক্রিম অদু তৈদুনা মায়দা লৈ-লৈদুনা তৈবনা মায়গী মালিস তৌবা ওইবগা লোয়ননা ঈগী খোংজেল হেনগৎহনগনি। করিগুম্বা অদোমগী মায় য়াম্না থাউ থোকপা মায় ওইরগদি ক্রিম শিজিন্নবগী মহুত্তা সিরম ওইনা শিজিন্নবিয়ু। অচোৎপা মায়দা ক্রিম তৈবনা হেন্না কান্নবা হেনগনি।

***খুৎনা মায়দা তোয়না-তোয়না পায়গনু:*** অয়াম্বা মীওইশিংনা খুৎনা মায়দা পায়বা অমদি নানবগী হৈনবী ওইনা তৌবনা তোয়না খুৎনা মায়দা পাইবা তৌনৈ মদু তৌবিরোইদবনি। মরমদি মায়দা খুৎনা পায়বা অমদি নানবা মতমদা খুৎতা পক্লম্বা ভেক্টেরিয়া অমদি খুৎকী অমোৎপা মায়দা পকখিবা য়াই। করিগুম্বা উরিং থুংবা মায় ওইরগদি উরিংদা খুৎনা শোকপিরুগনু। খুৎনা শোক্লগদি অমোৎপা অমদি ভেক্টেরিয়া চংখিদুনা উরিং ফবদা মতম য়াম্না চংবা য়াই।

***নুংশাদগী ঙাকথোকপীয়ু :*** নুংশা উনশাগীদমক মথৌদি তাই অদুবু কা হেন্না নুংশাদা চৎলবদি উনশাদা য়াম্না মাংজবা লৈ। করিগুম্বা নুংশা মরক্তা চৎতবা য়াদ্রবদি অফবা সনস্ক্রিন অমা শিজিন্নবিয়ু। মরমদি নুমিৎতগী থোক্লকপা উল্ট্রা ভাইওলেট উনশাগী ওইনা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা ওই। নুংশা মরক্তা তোয়না চৎলবদি অফবা অতাংবা সনস্ক্রি ফাওবদা কান্নবা ওইদে।

***চাবা-থকপদা চেকশিনবিয়ু:*** পিজ্জা অমদি বর্গর অদোমগী মায়থোংগী ফজবগী মায়োক্তা লেপ্লকপা য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা চিঞ্জাক চাবিদবা ফৈ লোয়ননা থুম কা হেন্না চরোইদবনি। চাক লাম্লবা মতমদা অতেকপা উহৈ-ৱাহৈ ওইনা চারবদি য়াম্না কান্নবা ওইগনি।

***ঈশিং য়াম্না থকপা মথৌ তাই :*** শুপ্নগী খৌরাংবা কোক্লনবগী ঈশিং থকপা নত্তনা মায়থোং ফজনা তরু-তনান্না লৈনবগীদমক ঈশিং য়াম্না থকপা তঙাইফদে। ঈশিং য়াম্না থকপনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবত্তা নত্তনা হকচাংদা য়াওবা হু চেল্লবা পোৎশক কয়া মপান্দা পুথোরকপদা চাউনা মতেং পাংবা হায়বদু ওই।

মেকঅপ তৌদুনা মায়থোংবু য়াম্না ফজহনবা অমদি নহা ওইনা উহনবা য়াই। অদুবু নেচরেল ওইনা মহৌশাগী ওইবা ফজবা হায়বসিনা অশেংবা ফজবগী তোঙানবা মহাও অমনি। অদোমগী স্কিন মহৌশাগী নীংথিরবী থোৎ-থোৎ লাউনা ফজবী লৈনাগুম তৌরবদি করিগী মেকঅপ তৌরুগনি। অদুম্না নেচরগী মহৌশাগী ফজবা স্কিন পাম্লগদি পাম্বৈশিং অসি শিজিন্নবা য়াই।

***মায় তাথোকপা:*** তুমদ্রিঙৈ মমাংদা কাউদনা মায় তাথোকপিয়ু। করিগুম্বা মেকঅপ তৌবা মায় ওইরগদি হান্না মেকঅপ রিমুবরনা ফজনা তৈথোকপিয়ু। মদুগী মতুংদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা মায় তাথোক্কদবনি। করিগুম্বা মপানদগী কোয়রুরগা লাকপা ওইরগসু য়ুম হেক য়ৌবগা সাবুন নত্রগা ফেসৱাস য়াওদনা ইচম চম্বা ঈশিংনা মায়া তাথোকপা তঙাইফদে। গুলাবজলনা মায় তাবা স্কিনগী ওইনা য়াম্না কান্নে।






Title: A Japanese Girl
By: Joyshree Asem
Class: V Sec: A Roll No. 11
School: Kids' Foundation



Title: A Race Car
By: Andrix Kangabam
Class: II Sec: C Roll No. 31
School: Kids' Foundation



Title: Scenery
By: Irom Jonash
Class: II Sec: D Roll No. 11
School: S.R.H.S.S



Title: Flower
By: L. Langlen Chanu
Class: III Sec: C Roll No. 17
School: Smart Universal Academy



Title: A Boy
By: Saiman
Class: III Sec: C Roll No. 12
School: Smart Universal Academy



Title: Siroy Lily
By: Anoubam Roshes Sharma
Class: III Sec: C Roll No. 13
School:



Title: Bird
By: N. Malemthoibi
Class: II Sec: C Roll No. 44
School: Standard Robarth Higher Sec. School



Title: Cute Druga Maa
By: Wayenbam Precious
Class: II Sec: A Roll No. 52
School: Kids' Foundation



Title: House
By: Maisnam Lanthoi Chanu
Class: KG Sec: B Roll No. 10
School: Kids' Foundation



Title: Shiroy Lily
By: Salam Srinibas Meitei
Class: III Sec: C Roll No. 8
School: Smart Universal Academy
(Sekmaijin Khunou)



Title: Scenery
By: Subanda Yengkhom
Class: III Sec: B Roll No. 23
School: Smart Universal Academy



Title: Goku
By: Khundongbam Victor
Class: IV Sec: B Roll No. 11
School: Kids' Foundation